# মণিপুরদা ত্রেপ শুটিং মশান্না উবা ফংলগনি

## ওলেম্পিক ইভেন্ট অমা ওইরিবা ত্রেপ শুটিং মশান্নদগী অফবা শুটর পুথোক্কদৌরি



ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়াগী স্পোর্টসতা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা মশান্না খুদিংমক শান্নদুনা অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোকখ্রবসু শুটিং মশান্নগী মনুং চল্লিবা ত্রেপ শুটিং ঙসি ফাওবা পাঙথোকপা ঙমদনা লাক্লি।

ওলেম্পিক ইভেন্ট অমা ওইরিবা ত্রেপ শুটিং মীয়াম্না চহীসিগী এপ্রিল থাদা শুংশোয় শোয়দনা ইম্ফালদা উবা ফংলগনি। ত্রেপ শুটিংগী ইভেন্ট অসি এপ্রিল থাদা হৌদোক্লবগীদমক মণিপুর রাইফলস এসোসিএশন্না শেম শাবা পূম্নমক লোইখ্রে।

মশান্না অসিদা মরুওইনা চঙগদৌরিবা মচাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা শোট গন হান্ননা লৌদুনা লৈখ্রবনি। অদুবু শোট গনখক্তনা শান্নবা য়াদবা মরম্না মশান্না অসি পাঙথোকপদা চঙগদবা ক্লে বার্থ, ত্রেপ মেছিন অমদি নোংমৈ মরুনচিংবশিং চেন্নবগী থৌরাং পূম্নমকসু লোইখ্রে। হায়রিবা মচাকশিং অসি অথুবা মতমদা ইম্ফালদা থুংলরগনি হায়না মণিপুর রাইফলস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ইন চার্জগী থৌ পুরিবা নিংথৌখোংজম রাজেন্দ্রোনা ফোঙদোরক্লি।

শুটিং মশান্নদা মণিপুরগী শুটরশিংনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমদ্রবসু শুটিং মশান্নদা ইন্টরনেসনল অমদি নেসনল শুটর কয়া পুথোক্তুনা নেসনলগী থাক্তা মেদলিষ্ট কয়াসু পুথোকখ্রবনি। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী ওইনসু মণিপুরগী শুটরশিংনা নম্বর ৱান্দা লৈরিবনি। শুটিং মশান্না অসি নোংমা নোংমগী লমদমসিদা চাওখৎলকপা মরম্না শুটর কয়া লেপ্তুনা থোরক্লি। লন্নাইগী ওইবা মিটর ১০ গী শুটিং রেঞ্জনচিংবা শাদুনা চহী নৌরিবা শুটর কয়া পুথোকপা হৌরে। চহী খরগী মতুংদদি মণিপুরদগী হেন্না অফবা শুটরশিং পুথোক্লগনি হায়নসু রাজেন্দ্রোনা মখা তাখি।

ত্রেপ শুটিং মশান্না অসি ওলেম্পিক ইভেন্ট অমা ওইবা মরম্না মণিপুরদগী অফবা ত্রেপ শুটরশিং থোক্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মশান্না অসিদগী ওলেম্পিয়ন ওইবা য়াবা মরম্না মশান্না অসিদা থৱায় য়াওবা লমদমসিগী মীওইশিংনা মণিপুর রাইফলস এসোসিএশন্দগী অকূপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।

ত্রেপ শুটিং পাঙথোকপদা অচৌবা মফম অমদি অকোয়বদা লৈরিবশিংদা অপনবা অমদি অয়েৎপা থোক্লোইদবা মফম অমা চঙবা মরম্না মশান্না অসি করম্বা মফমদা পাঙথোক্কদগে হায়বা চপ চাবা লেপত্রবসু লমশাং খুদৈবান লম্পাক্তা লৈবা মণিপুর রাইফলস এসোসিএশনগী শুটিং রেঞ্জদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়রি।

মশান্না অসি মীয়ামদা খঙহনবা ওইনা অচৌবা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা ত্রেপ শুটিংগী মতাংদা কূপ্না খঙহন্নবগী থৌরাংসু মণিপুর রাইফলস এসোসিএশন্না তৌরি।

# টি-২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফিদা রেজ নাগামপাল অমসুং ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম সী এ) না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথরিবা এম সী এ টি-২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা রেজ নাগামপাল অমসুং ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা রেজ নাগামপালনা আর আর সী সী চুড়াচান্দপুর রন ৯২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা রেজ নাগামপালনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি।

রেজ নাগামপালনা মেচকী অপীবা ওভর ২০ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ২ আউট ওইরগা রন ১৮০ লৌখি। রেজগী বেটসমেন মিনতুচন্দ্রনা রন ৫৩ (৪২), রাহুলনা রন ৪১ (৩৪), জয়েন্তনা রন ৪৫ (২৮), গুনিরামনা রন ১৯ (১২) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা আর আর সী সী চুড়াচান্দপুরগী বোলর মোমোন অমসুং থাংতিনলালনা ৱিকেট অমমম লৌখি। রেজ নাগামপালনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা আর আর সী সী চুড়াচান্দপুরনা ওভর ১৯.৩ মায়োক্লখিবদা শুপ্নগী রন ৮৮ খক লৌরগা ওল আউট ওইদুনা আর আর সী সী চুড়াচান্দপুর রেজ নাগামপালগী মখূৎতা রন ৯২ দা মায়থীখি।

আর আর সী সী চুড়াচান্দপুরগী হেনজৌথাংনা রন ১৭ (১৯), হাওজালেন্না রন ১৪ (২২), দেবরাজনা রন ১৩ (১২), থিঙ্গোনা রন ১০ (১২), এলানা রন ১০ (১৭) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা রেজ নাগামপালগী বোলর সঞ্জিৎ অমসুং গুনিরামনা ৱিকেট ৩/৩ লৌখি। নিকিনা ৱিকেট ২, রোবার্টসন্না ৱিকেট অমা লৌখি।

মেচ অদুদা রেজ নাগামপালগী ওল রাউন্দর জেমসনা রন ৪৫ (২৮) লৌখিবগা লোয়ননা ৱিকেট অমা লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা ৱাই দল্লিয়ু সী পাৎশোই রন ২৪ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা ওভর ১৫.২ মায়োক্লখিবদা রন ৮৯ লৌরগা ওল আউট ওইখি।

ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী জিকোনা রন ৩২ (৪৫), প্রফুলোমনিনা রন ১০ (৮) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা ৱাই দল্লিয়ু সী পাৎশোইগী সুরজিৎ অমসুং রাকেসনা ৱিকেট ৩/৩ লৌখি। মোনেটনা ৱিকেট অনী অদুগা অমিত্রনা ৱিকেট অমা লৌখি।

ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দল্লিয়ু সী পাৎশোইনা ওভর ১৮.৪ মায়োক্লখিবদা শুপ্নগী রন ৬৫ খক লৌরগা ওল আউট ওইদুনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী মখূৎতা রন ২৪ দা মায়থীখি। ৱাই দল্লিয়ু সী পাৎশোইগী অমিত্রনা রন ২৩ (৪৫), পিঙ্কিনা রন ১১ (১৮) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী বোলর কিসন অমসুং বিংসন্না ৱিকেট ৩/৩ লৌখি। প্রিয়োকুমার, প্রকাস মনি অমসুং বিশ্বাসনা ৱিকেট ১/১ লৌখি। মেচ অদুদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী কিষন্না ৱিকেট অহুম লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেচ লৈরোই।

# ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপনা ইন্দিয়াদা ফুটবোলগী অচৌবা ঈহৌ অমা লাক্লগনি ঃ জেভিয়র চেপ্পি



ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৩ ঃ ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা অচৌবা ঈহৌ অমা লাক্লগনি হায়না টুর্নামেন্ট দিরেক্টর জেভিয়র চেপ্পিনা ফোঙদোকখ্রে।

অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিনা ইন্দিয়াদা ফুটবোলগী অচৌবা ঈহৌ অমা লাক্তুনা নোংমদি ইন্দিয়া ৱর্ল্ড কপ্তা শান্নরক্লগনি। ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ মিৎয়েং তাদুনা মসিগী মহাও অসি ঐখোয়না লৌহৌগদবনি।

অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপ ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইবা ফংবা অসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী কান্নবা ওইরিবনি। মসিদগী ঐখোয়না কান্নবা অমদি লৌবা য়াবশিং লৌহৌদুনা মালেমগী ফুটবোলগী মেপতা ঐখোয়সু য়াওনবা হোৎনহৌরসি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপ ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইগদৌরিবা অসিগীদমক্তা শেম শাবগী থবক য়াম্না কন্না চথরিবনি। চহীসিগী ওক্টোবর ৬ তগী ২৮ ফাওবা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সিটি ৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা মাইলষ্টোন অমা ওইরগনি।

অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসি ন্যু দেল্লি, কোলকটা, গুৱাহাটি, মরগাও, কোচি অমসুং নবি মুম্বাইদা পাঙথোক্কনি।

টুর্নামেন্ট দিরেক্টর জেভিয়র চেপ্পিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐহাক চিল্লি হায়রিবা ফুটবোলবু য়াম্না পাম্না শান্নবা লৈবাক অদুদগী লাকপনি। চিল্লিদা ফুটবোল অসি নম্বর ৱান স্পোর্টস ওইনা লৌনৈ। মরম অদুনা মহাক্না ইন্দিয়াদা লাক্লবনিনা ইন্দিয়াদসু ফুটবোল অসি হেন্না চাওখৎহন্নবা অমদি মমিং লৈহন্নবা হোৎনগনি।

অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিনা ঐখোয়গী অহানবা খুদোংচাবা ওইরগনি। মরম অদুনা মসি ঐখোয়না লেম্না খক মাঙহল্লোইদবনি।

অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিদা য়ূম্বু ওইরিবা ইন্দিয়া য়াওনা পূন্না মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ২৪ না শরুক য়াগনি। ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসিদা টিম ২৪ না পূন্না মেচ ৫২ শান্নগনি। লোয়ননা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ২০০ দা লৈরিবা মীওই মিল্লিয়ন ২০০ রোম হেন্না উবা ফংগনি। হৌজিক ইন্দিয়াদা ফুটবোলগী ঈহৌ অসি নোংনা নোংমগী হেনগৎলক্লি।

হৌজিক ইন্দিয়াগী মীশিং চাদা ৬০ দগী ৬৫ ফাওবদি ফুটবোলবু পামজবা মীওইশিংনি হায়বা খঙলে। মসি ফিফা ৱর্ল্ড কপ নৎত্রগা য়ুরোপিয়ন কপ্তা থৱায় য়াওবা নত্তে। মখোয়শিং অসি ইন্দিয়ন সুপর লীগ অমদি আই-লীগতা থৱায় য়াওবা উবদগীনি হায়না জেভিয়র চেপ্পিনা ফোঙদোকখি।

ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসিগীমদক্তা ফিফাগী টিম অমা মার্চ থা মনুংদা লাক্তুনা তোঙান তোঙানবা সিটি তরুক্তা চৎতুনা ষ্টেদিয়মশিংগী ফিভম অমদি শেমগৎ শাগৎলিবশিং য়েংশিনগনি। হায়রিবা ষ্টেদিয়মশিং অসিগী থবকশিং লোইশিল্লকপগা লোয়ননা ফিনিসিং টষ্ট পীবগী থবক খক্তমক ঙাইরে। হায়রিবা থবকশিং অসিসু মার্চ থা অসিগী মনুংদা লোইশিল্লগনি।

হৌজিক কোচি ষ্টেদিয়মগী বকেটসিট পানখৎপগী থবক তৌরি। কোলকটা অমসুং গুৱাহাটি ষ্টেদিয়মদসু বকেটসিট ইন্সটোল তৌবগী থবক অথুবদা হৌরগনি। মার্চ থা হেক লোইবগা দ্রেসিং রুম অমদি মেদিয়া সেন্তরনচিংবশিংসু লোয়শিল্লগনি হায়না জেভিয়র চেপ্পিনা অচেৎপা থাজবা ফোঙদোকখি।

ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসি মীওই খুদিংমক্না অহোঙবা মমলদা টিকেট কক্তুনা য়েংহন্নবা থৌরাং পূম্বা লোইখিবগা লোয়ননা টিকেট অমগী মমল লুপা ১০০ গী মখাদা য়োন্নবগী থৌরাংসু লোইখ্রবনি।

# রিসিকুমার ন্যু দেল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি



ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস): ওষ্ট্রিয়াদা থা অসিগী ১৮ দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা স্পিসিয়েল ওলেম্পিক ৱর্ল্ড ৱিন্টর গেমস ২০১৭ তা ফ্লোর হোকি শান্নরোয় অমা ওইনা শরুকয়ারুনবগীদমক মণিপুরদগী নিঙোল্বম রিসিকুমার থা অসিগী ৫ দা ন্যু দেল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি।


ন্যু দেল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রিপরেটোরি কেম্পকীদমক শরুক য়ারুরবা মতুং মার্চ ১৩ দা মহাক ওষ্ট্রিয়াগীদমক ইন্দিয়া থাদোক্কনি।

তোঙান তোঙানবা ৱিন্টর গেমস মশান্না তরেৎতা ইন্দিয়াগী পূন্না শান্নরোয় ৯০ না শরুক য়াগদবগী মনুংদা মণিপুরদগী ফ্লোর হোকি মশান্নদা নিঙোল্বম রিসিকুমার য়াওখিবনি।

ইন্টেলেকচুএল দিসএবলশিংগী ওইনা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ৱিন্টর গেমস অসিদা মণিপুরদগী রিসিকুমার শরুক য়াবা ফংবদা স্পিসিয়েল ওলেম্পিক ভারত মণিপুর চেপ্তরগী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

HL-P/1010/03/03-6/04






Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3673/17/2-22/3

